২৯ শুবা মেন্স অমদি ১৮ শুবা ৱুমেন্স গভর্নর কপ ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

অহৌবা মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল মার্চ ১৩ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন (এম ঐচ আর পি এ)না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুং গ্রাউন্দদা নুপাগী পোলো টিম ৮ অমদি নুপীগী পোলো টিম ৪ না পুন্না টিম ১২ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ২৯ শুবা গভর্নরস কপ মেন্স ইনভাইটেসন অমদি ১৮ শুবা গভর্নরস কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা মেটচ শান্নখিবদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) না থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু মায়থিবা পীখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস মণিপুরগী ডাইরেক্টর ডাঃ ঐচ চাওবা সিংহনা চিফ গেষ্ট অমদি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন (এম ঐচ আর পি এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে দিলিপ সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি নুপাগী ওইনা অহানবা মেটচ শান্নখিবদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) না থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১১-১ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকখ্রবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) গী মাইকৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্কর শান্নখিবদা এন রঞ্জননা মিনিট ৬.১৫ শুবা সেকেন্দ অমদি উমেশ গুরুংনা মিনিট ৭.০৬ শুবা সেকেন্দশিংদা মথংশিংনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অনিশুবা চক্কর শান্নখিবদা এল রোহিটনা মিনিট ২.৪৯, ৫.৫৫ অমদি ৭.১৩ শুবা সেকেন্দশিংদা পাঞ্জল অহুম অমদি উমেশ গুরুংনা মিনিট ৫.০৮ শুবা সেকেন্দদা পাঞ্জল অমা চল্লগা হাফ মমাংদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) না পাঞ্জল ৬-১ দা মাংজিল থানা চৎখি।

হাফ মতুং মখা তানা অহুমশুবা চক্কর শান্নখিবদা এল রোহিটনা মিনিট ৪.২২ অমদি ৬.৪৬ শুবা সেকেন্দদা পাঞ্জল অনি অমদি এস দোল্লরনা মিনিট ৫.০৯ শুবা সেকেন্দদা পাঞ্জল অমা চনখি। মেটচ অদুদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ)না টিম দোমিনেট তৌদুনা পাঞ্জল মশিং হেন্না মাংজিল থানা চৎখি। অরোইবা মরিশুবা চক্কর শান্নখিবদা এল রোহিটনা মিনিট ৪.৪২ শুবা অমদি এম টিকাবোইনা মিনিট ৬.৫৬ শুবা সেকেন্দশিংদা মথংশিংনা পাঞ্জল অমমম টিমগী ওইনা ১১ শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) গী মখুৎতা মায়থিবা নংখ্রবা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবকী মাইকৈদগী চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অহানবা চক্কর শান্নবা হৌগৎলকপা ইকুই কুইদনা টি গিটচন্দ্রনা মিনিট ১.৫৩ শুবা সেকেন্দদা চনবা ঙমখিবনি। লেমহৌরিবা চক্করশিংদা শোত্থনা লৈরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১১-১ দা মায়থিবা নংহৌখি।

চত্থরিবা গভর্নরস কপ পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ অমদি তেকচম পোলো ক্লবকা শান্নরগনি।

এএফসি কপতা চেন্নাইয়িন এফ সি না কলম্বো এফ সি বু মায়থিবা পীখ্রে

অহমেদবাদ, মার্চ ১৩ঃ ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা জেজে লালপেখুৱানা সেকেন্দ হাফতা চনখিবা গোলনা চেন্নাইয়িন এফ সি না কলম্বো এফ সি বু সোলিটরি গোল অমদা মায়থিবা পীদুনা এ এফ সি কপকী গ্রুপ ষ্টেজদা মফম অমা ফংবা ঙমখ্রে।

অহমেদবাদতা লৈবা এরেনা ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িং প্লে ওফ রাউন্দগী সেকেন্দ লেগ মেটচ অসিদা চেন্নাইয়িননা ইন্দিয়ান সুপর লিগ আউট ফিটকী ওইনা অহানবা ওইনা এ এফ সি কপতা মখোয়গী দেবু কেম্পেইনদা গ্রুপ ষ্টেজ চংবা ঙমখ্রে।

মার্চগী তারিক ৬ তা কলম্বোদা ফার্ষ্ট লেগ মেটচ অমা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। জেজে লালপেখলুৱানা মেটচ অসিগী মিনিট ৬৮শুবা মতমদা চনখিবা গোল অসি চেন্নাইয়িননা এফ সি কপতা অহানবা ওইনা গোল চনবা ওইরি। চেন্নাইয়িন এফ সি না ২০১৭-১৮ গী চেম্পিয়ন ওইরিবা মিনরভা পঞ্জাব এফ সি, নেপালগী মনাং মাসিয়ান্দি ক্লব, বংলাদেশগী অপাহানি লিমিটেদ ধাকাগা ২০১৯ গী এ এফ সি কপতা গ্রুপ-ই দা পুন্না তাম্নিন্নরি।

চেন্নাইয়িননা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী হৌনা মপুং ওইনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। ওপনিং মিনিটগী মতমদা কোর্নর অনি ফংখিবগা লোয়ননা কলম্বোগী ওইনদি দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। চেন্নাইয়িনগী অহানবা ওইনা গোল চনবা য়াবগী তঞ্জা অদু মেটচ অসিগী ১৪শুবা মতমদা ফংখি। সি কে ভিনিটনা কলম্বোগী হাফতা চংশিল্লক্লগা রাইটতা লৈরিবা থোই তন্না বোল অদু পীখি। মসিদা পোষ্টকী মনাক নক্লা লৈরিবা ইজাক বালমালসৌমানা ক্রোস অদু কনেক্ট তৌবা ঙমহৌখিদে। মেটচ অদুগী ক্বার্টর য়ৌরকপা মতমদসু কলম্বোগী মাইকৈদগী চেন্নাইয়িনগী বোক্স তন্না চংশিল্লগা এটেক তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি।

ভিজিটরগী মিদফিল্ডর ওইরিবা ইজাক অদেবুনা বোক্স মনুংদগী কাওশিনখিবা শোট অমবু চেন্নাইয়িনগী গোলকিপর করঞ্জিৎ সিংহনা সেভ তৌখি। মসিগী মতুং তারকপা মেটচ অসিগী ৩০শুবা মিনিটতা চেন্নাইয়িনগী রাইট বেক ওইরিবা লালদিনলিয়ানা রেন্থলৈনা কিপর করঞ্জিৎতা বেক পাস তৌরকখিবদা কলম্বোনা ফ্রি কিক অমা ফংখি। অদুবু মদু চেন্নাইয়িনগী মাইকৈদগী ঙাকথোরক্লুনা গোল চনবা ঙমখিদে।

সেকেন্দ হাফ হৌরকখিবা মিনিট ৫২ শুবা মতমদা ভিনিটনা রাইট ফ্লেঙ্কদা লৈরিবা থোইদা বোল অদু পীরবা মতুংদা মিনিটনা বোক্স তন্না চেনশিল্লগা থোইগী মাইকৈদগী পীরকপা ক্রোস অদু কনেক্ট তৌনবা হোৎনবদা ঙমহৌখিদে। চেন্নাইয়িন এফ সি গী মাইকৈদগী মখা তানা প্রেসর পীদুনা মেটচ অদু শান্নরকখিবদা ওইথংবা ফ্লেঙ্কদা লৈরিবা থোইনা বোক্স তন্না বোল অদু পুশিল্লকখি। অদুমওইনমক মহাক্না ক্লোজ রেঞ্জদগী কাওশিনখিবা বোল অদু ক্লিয়র তৌথোরকখি। মসিগী মতুং মিনিট অমা চোঙ্থরবা মতুংদা থোইনা বোক্স মনুংদা লৈরিবা ভিনিট তন্না বোল অদু পীখি। অদুবু মহাক্না কাওশিনখিবা বোল অদু গোল পোষ্টকী মথক লাল্লগা চৎখিবনা ওগোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মিনিট ৬০শুবা মতমদা ভিনিটনা গোল চনবা য়াবগী থাজা ফংখি। রাফাইল লেফতগী পীরকখিবা বোল অদু বোক্সতা লৈরিবা ভিনিটতা তাখি। অদুবু কলম্বোগী কিপরনা শোট অদু ঙাকথোকখি।

মেটচ অসিগী মিনিট ৬৮শুবা মতমদা লেফ লেফ তোন্দোন সিংহনা বোক্স তন্না কাওশিনখিবা বেল অদু কলম্বোগী দিফেন্দরনা ঙাকথোরকপদগী জেজে লালপেখলুৱাদা তাবদগী ওই থংবা খোংনা নিংথিজনা কাওশিনখিবা বোল অদু গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা সোলিটরি গোল অমনা কলম্বো এফ সি বু মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি হায়রি।

রেনেদিনা নেরোকা এফ সি গী কোচ ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ১৩ঃ ইন্দিয়াগী মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরবা রেনেদি সিংহ নেরোকা এফ সি গী হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে। মহাক্না স্পেইনিস ওইরিবা মেনুয়েল রিটামেরো ফ্রাইলগী মহুৎ শিন্দুনা হেদ কোচগী ফম অদু পুগদৌরিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই লিগতা নেরোকা এফ সি না ৬শুবা মফম তারবা মতুংদা মেনুয়েল রিটামেরো ফ্রাইল ক্লব অসিবু থাদোক্তুনা চৎখিবনি। ১২শুবা আই লিগতা ফাইনেল মেটচ হোমদা শান্নখিবদা রিয়েল কাশ্মিরগী মখুৎতা ৩-২ দা মায়থিবা নংখিবনি। মেটচ ২০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৬ ফংদুনা নেরোকা এফ সি না ৬শুবা মফম তাখিবনি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী চহি ৩৯শুরবা রেনেদিনা ক্লব অসিনা লৈরিবা এরিয়াদগী খরখক্তমক লাপ্পা লৈ। মহাক ইন্দিয়াগী ওইনা ইং ১৯৯৮ দগী ২০১১ ফাওবদা মেটচ ৫৯ শান্নখ্রে। মহাক ষ্টেভেন দিয়াসগা লোয়ননা দেদ বোলগী স্পিসিয়েলিষ্টনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী কেপ্টেইন ফাওবা ওইখি। ২০১১ গী এসিয়ান কপ কাটরদা পাংথোকখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নখি। ২০১১ দগী মহাক ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোখরবা মতুং কোচিং তৌখি। ইন্দিয়ান সুপর লিগতা পুনে সিটি এফ সি দা ২০১৫-১৬ গী সিজনদা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইখি। মহাক এ এফ সি গী লাইসেন্স হোল্ডর অমসু ওইরিবনি। নেরোকা এফ সিগী হেদ কোচ ওইখিবসি মহাক্পু ইকায়খুন্নবা অমনি। টিম অসিনা হেন্না ফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নবদা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি।

দিপা করমাকরনা ওলেম্পিক বার্থগীদমক্তা পার্ফোমেন্স নিংথিজনা পীনবা মীৎয়েং থল্লি

নিউদিল্লি, মার্চ১৩ঃ ইন্দিয়াগী জিম্নাষ্টিক শান্নরোই ওইরিবা দিপা করমাকরনা আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক বাকুম অমদি দোহাদা পাংথোক্কদৌরিবা অসিদা নিংথিজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা ওলেম্পিক বার্থ ফংবা ঙন্নবা হোৎনগদৌরি। দিপানা ইং ২০১৮ গী নভেম্বর থাদা জর্ম্মনিদা পাংথোকখিবা আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক ৱার্ল্ড কপকী বাউল্ট ইভেন্টদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্না ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগীদমক্তসু অকনবা মীৎয়েং থল্লি। মখুদা শোকপদগী ফগৎলক্লবা মতুংদা দিপাগী ওইনা অহানবা এপিয়ারেন্স ওইরি।

জকারটা এসিয়ান গেমসতা মহাক শোকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাবা মাংখি। মহাক্না বাউল্ট ফাইনেলদা য়াওবা ঙমখিদবগা লোয়ননা টিম ইভেন্টদগীসু হন্দোকখি। মহাক মতম চানা রিকোভর তৌবগা লোয়ননা জর্ম্মনিগী কোটবসতা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপতা ৩শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। মসিনা মহাক ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী চাঞ্চ অমদি লৈরি।

দিপানা মেলবোর্নগী ৱার্ল্ড কপ ফেব্রুৱারী ২১ দগী ২৪ ফাওবা পাংথোকখিবা অসিদা য়াওবা ঙমখিদে। মহাক ৱার্ল্ড কপ অনি বাকুদা মার্চগী তারিক ১৪ দগী ১৭ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা অমদি দোহাদা মার্চগী তারিক ২০ দগী ২৩ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা অসিদা নিংথিজবা পার্ফোমেন্স পীনবা মীৎয়েং থল্লি। হন্দক্কী মতম অসিদদি ওলেম্পিকক্কী ক্বালিফিকেসন অসি ৱার্ল্ড কপ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী খুৎথাংদা চৎপা তারি। মসিনা মরম ওইরগা ২০২০ গী ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন ওইনবগী তাঞ্জা ফংহন্নবা হোৎনবা য়াবা লম্বী পুন্নমক হোৎনগনি।

মমাং চহিদা জর্ম্মনিদা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপতা মেডল ফংবা ঙমখ্রবা মতুংদা মহাক্কী কনফিদেন্স অসি হেনগৎখি হায়না দিপানা ফোংদোকখি। মহাক্না অফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা ওলেম্পিকক্তা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়বসিগী চেংনা থাজবা লৈ। অগরতলাগী জিম্নাষ্টিক শান্নরোই অসি রিও ওলেম্পিকক্তা ৪শুবা মফমদা লোয়শিনখিবনি। হৌজিক মহাক্না লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অসিদা ২০২০ গী ওলেম্পিক্কীদমক্তা ক্বালিফাইয়িং সিষ্টেমগী ইভেন্ট ৮ গী শরুক ওইনা টুর্নামেন্ট অনি অসি পাংথোক্কদৌরিবনি।

জিম্নাষ্টিকী মশান্না অসিনা মখোয়গী খ্বাইদগী মকোক থোংবদা লৈবা ৩ অদু খনগদৌরিবনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ত্রিপ অদুগীদমক্তা ক্লিয়ার তৌরকখিদবা ওইবনা দিপানা ইভেন্ট অসিদা য়াওনবগী মরাইবক অদু তন্বা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

ৱার্ল্ড কপকী গোল্ড থাপ্পা লৈত্রে ঃসাই প্রনিথ

ইঞ্জেল বার্গ (স্বিজরলেন্দ), মার্চ ১৩ঃ ইন্দিয়ান বেদমিন্টন ষ্টার ওইরিবা সাই প্রনিথনা ২০১৭ গী মতমদা মহাক্কী বেষ্ট রেঙ্কিংগী কেরিয়র অসি ১৫শুবদা লৈখিবা অসি বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াবু প্লেয়রশিং সপোর্ট তৌবা অমদি গেমস অসি গ্রাস রুট লেভেলদগী চাওখৎনবা হোৎনরকপদা পোজিটিভ ওইবা থৌদাং লৌবগীমক্তা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ইন্দিয়ান বেদমিন্টন এসোসিয়েসন অসি অচুম্বা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লি ঐখোয়না রিয়েল পৱার হাউস অমদা চংশিনবগা লোয়ননা ইফোর্থ অসি মখা তানা চংশিন্দুনা নহা ওইরিবা হৌরক্লিবা প্লেয়রশিংগীদমক্তা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা ওই। অমদি মখোয়বু য়োকখৎপীবা অসি তঙাইফদবা লৈ।

ঐখোয়না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফংবগী মতম অসি লাপ্লা লৈত্রে। ২০১০ গী বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা সাই প্রনিথনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবনি। সাই প্রনিথনা থাজে মদুদি হৌজিক নহা ওইরিবা প্লেয়রশিং অসি সেনিয়র প্লেয়রশিংগা অচৌবা শিংনবা অমা লৈরে। নহা ওইরিবা প্লেয়রশিং অসিসু য়াম্না নিংথিজনা শান্নবা হৌগৎলকপগা লোয়ননা সেনিয়রশিংনা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ শান্নরকপা মতমদা মায় পাক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লরে। প্রানিথ অমদি পরুপলি কশ্যাপনা অতোপ্পা ইন্দিয়ান প্লেয়রশিংগা লোয়ননা ইং ২০১৯ গী স্বিজ ওপন অসিদা শরুক য়ারি। মখোয়না বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ স্বিজরলেন্দদা জুন থাদা পাংথোক্কদৌরিবা অসিদা প্রমোথ তৌনবগীদমক্তা মাউন্ট টিটলিষ্টতসু খোঙচৎ অমা পাংথোকখি হায়রি।

সত্তুলর সুভাঙ্কর দে স্বিজ ওপনগী সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে

বাসেল, মার্চ ১৩ঃ ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে না ফ্রান্সগী লুকাস ক্লিয়র বাউটপু ষ্ট্রেট গেমসতা মায়থিবা পীদুনা স্বিজ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে।

সুভাঙ্কর দে না মিনিট ৪৮ গী মতমগী মনুংদা ২১-১৯, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফ সিদেদ ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাটন খৃষ্টীগী মায়োক্তা সেকেন্দ রাউন্দগী মেটচ শান্নরগনি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী ক্রুসালি গুম্মাদিনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা ইষ্টোনিয়াগী ক্রিষ্টিন কুবাগী মখুৎতা ১২-২১, ২৩-২১, ১৭-২১ দা মায়থিবা পীখি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী জুরা ওইরিবা মনুঅত্রি অমদি বি সমিটরেদিসু জর্ম্মনিগী দেবিদ দুৱাগর্দ অমদি ফেদ্রিক সোগার্দগী মখুৎতা ২১-১৮, ১৭-২১ অমদি ১০-২১ দা মায়থিবা নংখ্রে।

সত্তুলর লক্ষসেন চাইনা মাষ্টরগী প্রি ক্বার্টর চংখ্রে

নিউদিল্লি, মার্চ১৩ঃ এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন লক্ষসেন চিনা মাষ্টর বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী মেন সিঙ্গলসগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে। মহাক্না মালেসিয়াগী কিন লিয়ুবু ষ্ট্রেট গেমসতা য়াম্না কোমনা মায়থিবা পীরবা মতুংদা প্রিক্বার্টর ফাইনেল অদু চংখিবনি।

লক্ষসেনগী ওইনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০৪ শুবদা লৈরিবনি। মহাক্না মিনিট ৩৪ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ২১-১২, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি। মহাক ফার্ষ্ট রাউন্দদা বাই ফংখি। লক্ষসেননা শগোলাশেন নুমিৎতা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন মেটচতা কোরিয়াগী য়ং বুং হাগী মায়োক্তা শান্নরগনি। নুপীগী সিঙ্গলসতা সাই উতেচিথা রাইচুকানা চিনাগী সিকি ৱাংগী মখুৎতা ফার্ষ্ট রাউন্দ শান্নখিবদা ২১-১৭, ২০-২২ অমদি ৭-২১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা মাল্ডিপ্পু মায়থিবা পীদুনা সাফ টাইটল দিফেন্দ তৌবা হৌখ্রে

বিরাৎনগর, মার্চ ১৩ঃ ইন্দিয়াগী নুপী নেসনেল ফুটবোল টিমনা মাল্ডিপ্পু ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা সাফ ৱুমেন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল দিফেন্দ তৌবা হৌখ্রে।

ঙসি সহিদ রাঙ্গশালা ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অসিদা দাংমৈ গ্রেস, সন্ধিয়া রঙ্গনাথন, সঞ্জু, ইন্দুমথি, কাথিরেসান অমদি রতনবালা দেবীনা ইন্দিয়াগী ওইনা গোল চনখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অহানবদগী হৌনা মেটচ অদু মপুং ওইনা দোমিনেট তৌরগা চৎখি। অহানবা হৌগৎলকপা মতমদা গোল এটেম্প অনি তৌখি। গ্রেসনা মেটচ অসিগী মিনিট ৮শুবা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়না মাল্ডিপ্তগী গোল অমা লিদ তৌরগা চৎখি। গ্রেসনা মেটচ অসিগী মিনিট ১৩শুবা মতমদা এসিস তৌদুনা সন্ধিয়ানা গোল ওন্থোক্তুনা মাল্ডিপ্তগী গোল ২ মাংজিল থারগা চৎপা ঙমখি।

কোচ মাইমোল রোকিনা লুচিংবা সাইদ অসিনা মখা তানা মেটচ অসি দোমিনেট তৌদুনা চৎখিবগা লোয়ননা ইন্দুমথি কাথিরেশানা মেটচ অসিগী মিনিট ২২শুবদা গোল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা ৩-০ দা মাংজিল থাখি। ইন্দুমথিনা চনখিবা গোল অসিগী মতুং মিনিট ৪ শোঙ্থরবা মতুংদা সঞ্জুনা রাইট ফ্লেঙ্কদগী দালিমা সিভরনা পীরকখিবা অশাংবা ক্রোস ফিল্ড বোল অমবু ওক্লগা য়াম্না খুৎলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অসিনা গোল পোষ্টগী কোর্নর তন্না কাওশিন্দুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মাল্ডিপ্তগী গোল ৪-০ দা মাংজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা মেটচ অসি দোমিনেট তৌখিবগা লোয়ননা অহেনবা গোল এটেম্প তৌখি অদুবু মদু মাল্ডিপকী গোলকিপরনা সেভ তৌখি। রতনবালা দেবীনা ফার্ষ্ট হাফ লোয়গদবা মিনিট ৪ দা ঙায়রবা মতমদা দাইরেক্ট ফ্রি কিক অমা কাওদুনা ৫শুবা গোল চনখি। সঞ্জুনা মেটচ লোয়গদবা মিনিট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা ৬শুবা গোল অদু চনখি। গ্রব-বি গী ওইনা সেকেন্দ মেটচতা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাগা নোংমাইজিং নুমিৎতা থেংনরগনি। গ্রুপ-১ দনা ভুটাননা বংলাদেশগী মায়োক্তা হয়েং শান্নরগনি।

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

Sl.	Name of Post	Salary	Post	Quaiu.
1.	Airport Post Vacancy of North East, Bangalore and Hyderabad Direct Selection & Join of Semi Govt. Job 50% ST Reserved.			
	i. C.S.A. Officer / Air Announcement	17,000 – 60,000	30	G/M
	ii. Airport driver (Heavy)	15,000 – 90, 000	20	X/XII
	iii. VIP Lounge Staff / Meet & Asst. Staff	15,000 – 50,000	20	X/XII
	iv. G-Loader / G-Poter Staff	13,000 – 60,000	30	VIII/X
	v. Airport Security Guard	15,000 – 40,000	20	G/M
	vi. Air Hostess / Cabin Crew	45,000 – 3 lac	20	XII/G
2.	Banking Sitting Staff Section at Imphal			
	i. Banking Sitting Staff	17,000 – 80,000	15	G/M
	ii. Account Opening Staff	15,000 – 80,000	20	G/M
3.	Wanted for Imphal Post Vacancy Only			
	i. Office Reception (Female)	4,000 – 15,000	20	X/XII
	ii. Security Guard / Ladies guard	6,000 – 10,000	40	VIII/X
	iii. Accountant Cashier	6,000 – 15,000	20	XII/G
	iv. VIP Gunman Guard / Ex-Servicement	8,000 – 15,000	20	VIII/X
	v. Banking R.O. / Micro RO	8,000 – 40,000	20	X/XII
	vi. Helper / Micro Finance CRO	6,000 – 40,000	10	XII/G
	vii. PHP, My SQL Web / Net/Andrd Dev.	8,000 – above	10	G/M
	viii. Soft Engg. Andro Dev. (Fresher/Exp)	10,000 – above	10	G/M
	ix. Writing copy at Home (any preson)	Rs. 300 per copy	50	VIII/X
4.	Wanted Immediately for Electrician at Delhi			
	i. Professor	23,000 – above	5	M.Sc (agri)
	ii. Electrician	10,000 – above	5	X/XII/G
	iii. Helper (Man)	7,000 – above	5	VIII/X
5.	No Deposit No Donation Work at Imphal			
	i. Sales – Executive / Comp. Salesman	5,000 – above	20	VIII/X
	ii. Driver / Helper	5,000 – above	10	VIII/X
	iii. Accountant	5,000 – above	10	G/M
	iv. Manager	6,000 – above	10	G/M
	v. Marketing Manager	5,000 - above	10	X/XII

Date of Submission : 28-03-2019
Date of Interview : 29-03-2019
Plz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Pokanpham Press Gate

NT/76597/4,6,8,12,14,18,20,26

BIRLA EMPORIUM
Reg. No. MNO4AF0005511/MSME
Website: www.birlaemporium.co.in
Contact No. : 8730960830 / 3852422123
IRA FOOD SERVICE
Available Foods are:
- CHICKEN ITEMS
- FRIED RICES
- CHOW MEIN
- ROLLS
- BIRYANI
- NOODLES
- MOMOS
- SANDWICH
- BURGERS
- PIZZAS
- CAKES

COMING SOON!
Free Home Delivery Service
Office Hours
9.30am to 4.30pm (Mon- Sun)
BIRLA EMPORIUM
Khurai Sajor Leikai, Ukhrul Road,
Imphal East District
Manipur- 795010

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal
The Largest Trusted Coaching Centre for Sc. & Arts in Manipur
COHSEM & CBSE
Why Delta ?
→ Seperate class for CBSE & COHSEM
→ Weekly, Monthly & Mega Test Series
→ Strictly Monitored & Smart Class Room
→ Provide Study Materials & Question analysis
Foundation course for
Class X (CBSE)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019
Admission Open
for Foundation Course
Class XI & XII
(Sc. & Arts)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019
Hostel / Van Service Available

SALAI Agro Products Pvt. Ltd.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur (India) 795001
SALAI AGRO PRODUCTS PVT. LTD. কী SALAI BESAN, SALAI KANGTAK, SALAI MANGAL অহোংবা মমলদা ফংবীরগনি ।
SALAI BESAN
Available Variant :- 1 kg, 5 kg, 10 kg & 35 kg
SALAI MANGAL
Available Variant 50 kg
SALAI KANGTAK
Available Variant 50 kg
OTHER PRODUCTS
SALAI ACHA-THAO (Filtered & Refined Oil, 500 ml, 1 liter & 5 liter)
SALAI WHEAT FLOUR (1kg & 2 kg)
SALAI TURMERIC POWDER (10 gm, 100 gm, 200 gm, 500 gm & 1 kg)
SALAI MIX SPICES (100gm)
SALAI CHILLY POWDER (10 gm,100 gm, 200 gm, 500 gm & 1 kg)
SALAI RICE (MEITEI CHENG) (50 kg)
SALAI CHAK-HAO POIREITON (1kg, 5 kg & 50 kg)
SALAI GINGER POWDER
Contact No. :- + 91 9862717738
+ 91 8837202418
email :- salaiagro.sappl@gmail.com
website :- www.salaiagro.com
অদুগা Bulk ওডরগীদমক মখাদা পীরিবা Number অসিদা Contact তৌবীয়ু ।
NT/B/8-17 (Mrch)

RENEGADE
COMMANDO
THE AMERICAN STAR ON INDIAN ROADS
EASY LOAN AVAILABLE
BIGGEST DISCOUNT OF THE SEASON
GET MINIMUM Rs. 15,000-/- CASH BACK ON COMMANDO BIKES
for further details please visit
TULASI MOTORS PVT. LTD. KHUYATHONG D.M.C ROAD
Mobile: +91- 9089895330 / 9615823252
email: umkanglasha@uml.co.in
T&C APPLY
NT/B/10 (Mrch)

Owned, Edited & Published by KHOIROM LOYALAKPA & Printed by him at Linthoi Offset Printers, Keishampat, Airport Road, Imphal., Tele # 2449086, 2441446 Fax # 2440353, E-mail : thoudangdaily@gmail.com, n_thoudang@yahoo.com